# সি সি মীট – সাহবাজগী অথেংবা গোলনা ট্রাউ এফ সিবু সেমি ফাইনেল তম্না পুশিনখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (এস এন এস)ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৪ দগী ইম্ফালগী মপাল কাঙজেবুংদা মপালগী টিম ২ য়াওনা পূন্না টিম ৩২ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৬২ শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ, কে সি এস আই, সি বি ই নীংশিং ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা প্রিন্সৱিল ইমেকানা পেনাল্টি অমা গোলদা ওন্থোকপা ঙমখিদ্রবসু সাহবাজ খাননা মেটচকী মিনিট ৮৩ চৎপদা চনখিবা হেদ্দিংগী গোলনা ট্রাউ এফ সি মায় পাকহন্দুনা সেমি ফাইনেল তম্না পুশিনখ্রে।

২৮ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি ট্রাউ এফ সি ক্লাকেথেল অমদি রাজবারি এ সি গুৱাহাটিনা শান্নখিবা টুর্নামেন্টকী অরোয়বা মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ট্রাউ এফ সিনা রাজবারি এ সিবু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

ট্রাউ এফ সিগী কোচ এল নন্দকুমারনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা নিসা থাংমৈবন্দগা শান্নখিবা ষ্টার্টিং এলবেন অদুদগী গোল কিপ্পর মিথুন সমন্ত, থোপী, এম রোকেন অমদি এন জি নাওচাগী মহুৎতা গুরপিট সিংহ, দব্লিউ অঙৌসনা লুৱাং, বিদিয়াশ্বর সিংহ অমদি প্রেমজিৎ সিংহনা মহুৎ শীন্দুনা শান্নহনখি। অদুগা রাজবারি এ সি গুৱাহাটিগী মায়কৈদগী ওফেন্সিপ্তা এন মহিচান্দনা, মিডফিল্ডদনা কে ঐচ মিলন অমসুং দিফেন্সতনা সোলোমোন কোনৱারনা লুচিঙদুনা অকনবা ষ্টার্টিং এলবেন শেমদুনা শান্নহনখি।

মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা হাল্ফকী অঙনবা মিনিটশিংদা রেফরিনা পীবা দিসিজন পেন্দে হায়দুনা রাজবারি এ সি গুৱাহাটিনা খোঙথাং অনীরক্তা শান্নবা লেপ্তুনা নীঙাই শাঙদান্নখ্রবসু মেটচ অসি মখা তানা অদুমক মায় পাক্লা শান্নখি।

মেটচ অসিগী হৌরকপদা ট্রাউগী প্রিন্সৱিল এমেকানা খোঙথাং অনীরক্তা গোল মাঙজিল থাবগী খুদোংচাবা ফঙখিবদু মহাক্কী ফেন্সিংনা নীংথিনা পীখিদবনা অরেম্বা তাখি। মেটচকী মিনিট ৭ তা ট্রাউনা চথরকপা কাউন্টর এটেক অমদা প্রিন্সৱিল ইমেকাবু থীংনবা হোৎনবদা রাজবারি এ সিগী জর্সি নম্বর ৪ কে ঐচ তাইবংঙানবনা ফাওল তৌরুবগীদমক রেফরিনা দাইরেক্ট রেদ কার্দ বুক তৌদুনা মেটচকী মপালদা থোকহনখিবা মতম অদুদা রাজবারি এ সিনা দিসিজন অদুবু পেন্দবগীদমক ঙায়হাক শান্নবা লেপখি।

অদুবু মেটচ অসি মখা তানা অদুমক চথদুনা শান্নবা হৌখি লোয়ননা ট্রাউনা রাজবারি এ সিনা শান্নরোই ১ ৱাংনা শান্নবগী খুদোংচাবা অদু চপ চানা লৌদুনা শান্নরক্তুনা হেন্না প্রেসর পীশিন্দুনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎনখি।

ট্রাউগী প্রিন্সৱিলনা য়াম্না কন্না হোৎন্দুনা হাল্ফ মমাঙদা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎনন্দুনা মপাঙ্গল ফুদোক্তুনা শান্নখ্রবসু মায় পাকপা ঙমদনা লৈখি। রাজবারি এ সি গুৱাহাটিনা তাঙনা ফঙবা খুদোংচাবা অমদা কে এস ঐচ মিলননা কাওরকখিবা সোট অদু ট্রাউগী এক্সপ্রিয়েন্স লৈরবা এম মৈনোনা ব্লোক তৌদুনা অরেম্বা তাহনখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু ট্রাউনা বোল পোসিসন হন্থদনা অদুমক শান্নদুনা মখোয়গী মিডফিল্ড শান্নরোই কে ফালগুনিনা শীংথনিঙাই প্রফোমেন্স উৎতুনা মহাক্কী টিমগী ওফেন্সিপ শান্নরোইশিংনা চেনলকপা মায়কৈদা নীংথিরবা খুদোংচবা কয়া শেমখ্রবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

মেটচ অসিগী মিনিট ৬৪ চৎপদা রাজবারি এ সি গুৱাহাটিগী দিফেন্দর সোলোমোন কোনৱারনা ট্রাউগী প্রিন্সৱিলদা বোক্স মনুংদা ফাওল তৌরুবগীদমক ট্রাউগী মায়কৈদা গোল মাঙজিল থবা য়াবা পেনাল্টি পীখিবা মতম অদুদসু অনীরকশুবা ওইনা রাজবরি এ সিনা শান্নবা লেপখি। পেনাল্টি অদু প্রিন্সৱিল মশামক্না কাওবদা রাজবারিগী গোল কিপ্পর দিৱাস সেৱেথিরিনা ঙাথোক্তুনা কোন্নর তাখি।

মেটচকী মিনিট ৬৮ চৎপদা ট্রাউগী জর্সি নম্বর ২৪ এস ঐচ নেত্রজিৎনা রাজবারি এ সি গুৱাহাটিগী ষ্টিফেন ক্রাইসিয়ানদা ফাওল তৌরুবগীদমক রেফরিনা দাইরেক রেদ কার্দ বুক তৌদুনা মপালদা থোকহনখি।

মেটচ অসিদা নাকল অনীমক্না শান্নরোই অমমম ৱাংনা শান্নখিবনা মখোয়গী পোজিসনশিংদা চাউনা অহোবা লৈখি অদুবু ট্রাউগী মায়কৈদগীদি মখোয়গী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মেন্সিলক্তুনা বোল পোসিসন হন্থদনা অদুমক শান্নখি।

ট্রাউগী সাহবজগী হেদ্দিং অমদা পোষ্টতা পান্দুনা থক্তোকখ্রবা মতুংদা টিম অসিনা অদুমক রাজবারিগী বোক্স মনুং অমসুং অনকপা মফমশিংদা বোল শান্নদুনা রাজবারিগী গোল কিপ্পরবু চায়েং তৌখি অদুবু টিম অসিগী গোল কিপ্পর দিৱাসনা মশা চোঙথোক্তুনা সেফ তৌখিবনা গোলদা ওন্থোকহনখিদে।

ট্রাউনা হনবা লৈতনা চথখিবা এটেকশিং অদুগী হোৎনজমন ফঙবা ওইনা মেটচকী মিনিট ৮৩ দা ফালগুনিনা কাওরকখিবা কোন্নর কিক অমদা সাহবাজ খাননা রাজবারি এ সি গুৱাহাটিগী দিফেন্দরশিংগী মর্কিংদগী নান্থোক্তুনা হেদ্দিং তৌশিন্দুনা নেটকী অহাঙবা নেট মনুংদা চঙহনখিবা মতম অদুদা ষ্টেদিয়ম অসিদা তিনখিবা ট্রাউগী য়ান্নবা ভাবোকশিংনা হরাওবগী খোঞ্জেলনা নীনখি।

মেটচকী অপীবা মিনিট লোয়বা ফাওবদা রাজবারি এ সি গুৱাহাটিনা শোথরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা শান্নখ্রবসু ট্রাউগী দিফেন্স লাইন লাশিনবা ঙমদবদগী মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচ তাখিবা সাহবাজনা চনখিবা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা গোলদা ট্রাউবু সেমি ফাইনেল তম্না পুশিনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এল অজিৎ মৈতৈ, এস ঐচ সুরেস, টি ঐচ অরুনকুমার অমদি টি হেমন্তনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

**Next Match**

05/01/2020

**1st Semi Final**

Match No. 29

LABAN CLUB, Shillong
*VS*
SSU, Singjamei

Time : 1.30 pm.

# জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্টদা এস দব্লিউ সি অমদি ই এস য়ু ইম্ফাল ইষ্ট মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (এস এন এস)ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১৭ দগী ইম্ফালগী মপাল কাঙজেবুংদা টিম ১০না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরিবা ৩১ শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সোসিয়েল ৱাকর কোংগ্রেস (এস দব্লিউ সি ) ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইষ্টন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ( ই এস য়ু) ইম্ফাল ইষ্ট মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা গ্রুপ-এগী রুয়েল এরিয়া ফুটবোল একাদেমি ( আর এ এফ এ) অমদি সোসিয়েল ৱাকর কোংগ্রেস (এস দব্লিউ সি ) ইম্ফাল ইষ্টনা শান্নখিবা মেটচতা সোসিয়েল ৱাকর কোংগ্রেস (এস দব্লিউ সি ) ইম্ফাল ইষ্টনা রুয়েল এরিয়া ফুটবোল একাদেমি ( আর এ এফ এ) বু গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা সোসিয়েল ৱাকর কোংগ্রেস (এস দব্লিউ সি ) ইম্ফাল ইষ্টগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১২ এস রোবিসননা মিনিট ২৩, জর্সি নম্বর ১১ এম দি অনাস অলমনা মিনিট ২৯ অমসুং জর্সি নম্বর ৮ শিতলজিৎনা মিনিট ৩১ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা রুয়েল এরিয়া ফুটবোল একাদেমি ( আর এ এফ এ)গী জর্সি নম্বর ১২ ও বিজেন কুমার, জর্সি নম্বর ৭ কঙলৈঙানবা অমসুং সোসিয়েল ৱাকর কোংগ্রেস (এস দব্লিউ সি ) ইম্ফাল ইষ্টগী জর্সি নম্বর ১৯ জি এলেক্স শর্ম্মদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এস ওনিল, টি ঐচ কিরনজিৎ, এস ঐচ সুরেস অমদি থাও জোনি চোথেনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

১৪ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা গ্রুপ-এগী ক্লাসিফাই য়ুঠ ভোলুন্টিয়র ওগর্নাইজেসন ( কে ৱাই ভি ও) বিষ্ণুপুর অমদি ইষ্ট্রন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ( ই এস য়ু) ইম্ফাল ইষ্টনা শান্নখিবা মেটচতা ইষ্ট্রন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ( ই এস য়ু) ইম্ফাল ইষ্টনা ক্লাসিফাই য়ুঠ ভোলুন্টিয়র ওগর্নাইজেসন ( কে ৱাই ভি ও) বিষ্ণুপুরবু য়াম লাকচন্না গোল ৫-০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ইষ্ট্রন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ( ই এস য়ু) ইম্ফাল ইষ্টকী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ এস ঐচ রাজদোন সিংহনা মিনিট ৩৫, ৬৩ দা গোল ২, জর্সি নম্বর ১০ এল ঙৌবনা মিনিট ৩২, জর্সি নম্বর ১২ অরিফ হুসেননা মিনিট ৪২ অমসুং জর্সি নম্বর ৭ থুমকাননা মিনিট ৭০ দা চনখি।

মেটচ অসিদা ক্লাসিফাই য়ুঠ ভোলুন্টিয়র ওগর্নাইজেসন ( কে ৱাই ভি ও) বিষ্ণুপুরগী জর্সি নম্বর ২২ টি ঐচ সন্তোস সিংহদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি টি ঐচ কিরনজিৎ, এল গোকুলানন্দ শর্ম্মা, দব্লিউ ইবোয়াই অমদি এস ওনিলনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

মথংগী মেটচ জনুৱারি ৪গী অয়ুক পুং ৮ তাবদা এফ সি এ অমদি আর এফ সিনা অহানবা গ্রাউন্দা অদুগা অয়ুক পুং ৯.৩০ দা আইদেল এফ সি অমদি এস এফ সিনা অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নগনি।

# মণিপুর ষ্ট্রেংথ লিফটিং টিমনা গোল্ড মেদল ২ য়াওনা পূন্না মেদল ৫ লৌখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (এস এন এস)ঃ
ইন্দিয়ান ষ্ট্রেংথ লিফটিং ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা রাজষ্টানগী উদাইপুরদা থা অসিগী ২৫ দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোকখিবা ২৯ শুবা নেস্নেল ষ্ট্রেংথ লিফটিং অমসুং ইনক্লাইন বেঞ্চপ্রেস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা মণিপুরনা গোল্ড ২, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ৫ লৌখ্রে।

মণিপুরগী গোল্ড মেদলশিং অদু কেজি ৪৬ নুপীগী কাঙলূপ্তা টি ঐচ বিন্দিয়ারানি দেবীনা ইনক্লাই বেঞ্চপ্রেসতা কেজি ৪৫ থাঙ্গৎতুনা অমসুং কেজি ৭২ নুপীগী কাঙলূপ্তা এল পুস্পারানি দেবীনা ইনক্লাইন বেঞ্চপ্রেসতা কেজি ১১৫ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল ২ অদু লৌখিবনি।

সিলভর মেদলশিং অদুনা নুপীগী কেজি ৫২ দা এল চেরিসমা দেবীনা ইনক্লাইন বেঞ্চপ্রেসতা কেজি ৬৫.৫ থাঙ্গৎতুনা অমসুং কেজি ৭২ দা পি ঐচ নাওচা দেবীনা ইনক্লাইন বেঞ্চপ্রেসতা কেজি ১০০ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেদল ২ অদু লৌখিবনি।

ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা মাষ্টরগী কেজি ৬৮ তা কে ঐচ নিংথেমনা লৌখিবনি।

ষ্টেটকী টিম অসি কে ঐচ নিংথেমনা কোচ কম মেনেজর ওইনা লুচিংখি।

# ইরলিং হলান্দ দোর্টমুনদা য়াওখ্রে

বরলিন, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সি)ঃ
নোরৱেগী এক্সপ্রিয়েন্স লৈরবা শান্নরোই ইরলিং হলান্দ জর্ম্মনগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব বোরোসিয়া দোর্টমুন্দা কুমজা ২০২৪ ফাওবা শান্নবগী সাইন তৌখ্রে।

ইরলিং হলান্দ ওষ্ট্রিয়াগী বুন্দেসলিগাগী মমাঙগী সিজনদা শরুক য়াদুনা মেটচ ২২ শান্নবদা গোল ২৮ চনবা ঙমখি। মহাক ইটালিগী জুবেন্টস অমসুং ইংলণ্ডগী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ ক্লবশিংনা পাম্নরিবা শান্নরোই অমনি। মহাক্না চেম্পিয়ন্সিপ লীগকী মেটচ ৪ শান্নবদা গোল ৮ চনবা ঙমখিবনি।

# ত্রেভর পেনেনা ৱেষ্ট ইন্দিজকী লিমিটেদ ওভরগী এসিষ্টেন্ট কোচ ওইরগনি



এন্টিগ্বা, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সি)ঃ
মমাঙদা ইন্দিয়াগী ফিল্ডিং কোচ ওইরম্বা ত্রেভর পেনে ৱেষ্ট ইন্দিজকী লিমিটেদ ওভর ফোর্মেটগী এসিষ্টেন কোচ ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রে।

মশাগী চহী ৫২ শুরবা জিম্বাৱে মচা ত্রেভর পেনে ক্রিকেট মশান্নগী লমদা য়াম্না এক্সপ্রিয়েন্স লৈরবা মীওই অমনি। মহাক্কী ফম অসি ২০২০ জনুৱারি ২দগী পায়বা হৌরগনি।

ত্রেভর পেনে ফার্ষ্ট ক্লাস ক্রিকেট মেটচ ১৫৮ শান্নরম্মী মহাক্না ইন্দিয়াদা নৎতনা শ্রী-লঙ্কা, নেদরলেন্দ অমসুং য়ু এস এগী কোচ ওইবগী থৌদাংসু পুরম্বা মীওই অমনি।

মহাক্কপু ৱেষ্ট ইন্দিজগী এসিষ্টেন কোচ ওইনা খল্লকপদা নুঙাইবা ফাওই। মহাক্না ৱেষ্ট ইন্দিজগী মকোক থোংবা শান্নরোই কৈরোন পোলার্দ অমসুং ফিল্ড সাইমন্সকা পূন্না শান্নমিন্নবগী খুদোংচাবা অমসু ফঙলে হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী নুপা ক্রিকেট টিম অসি মথং চহীগী জনুৱারি ৭ তগী ১৯ ফাওবা লৈবাক অসিনা য়ুম্থু ওইদুনা আইলেন্দগা ও দি আই মেটচ ৩ অমসুং টি-২০ মেটচ খরা শান্নগনি। সেরিজ অসিনা নৌনা এপোইন্ট তৌখ্রবা ত্রেভর পেনেগী অহানবা চায়েং ওইগদৌরি।

ওষ্ট্রেলিয়াদা ২০২০দা পাঙথোক্কদৌরিবা টি-২০ ৱার্ল্ড কপ অমসুং ইন্দিয়াদা ২০২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা টি-২০ ৱার্ল্ড কপ অসিদা ৱেষ্ট ইন্দিজ টিমবু মায় পাকহনবনা ঐহাক্কী টার্গেট ওইগনি হায়না ত্রেভরনা ফোঙদোকখি।

# সব-জুনিয়র নেস্নেল সোফবোল চেম্পিয়ন্সিপকীদমক ষ্টেটকী টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (এস এন এস)ঃ
পোনি বেজবোল এন্দ সোফবোল এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা জনুৱারি ৫ দগী ৯ ফাওবা কতক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা সব-জুনিয়র নেস্নেল সোফবোল চেম্পিয়ন্সিপ্তা ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগদবা পোনি বেজবোল এন্দ সোফবোল এসোসিয়েসন মণিপুরগী টিম শেমখ্রে। ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং অদুদি- নুপামচাগীদা ঐচ অরবিন, ঐচ ৱাঙথোইবা, এল রোসন, টি ঐচ অলবট, কেঐচ স্যতম, ৱাই মিনিস, পি রেসটিক, এল তোমথিনঙানবা, ঐচ নিসন, এম নেলসন, এ দেনিস, কেঐচ শিলহৈবা অমদি কেঐচ সির্দাথনি। টিম অসি এন ইন্দ্রমনিনা মেনেজর অদুগা টিঐচ কান্ত অমসুং বি সুরচন্দ্র শর্ম্মনা কোচ ওইনা লুচিঙগনি।

নুপীমচাগীদা-টি তোম্বীসনা চনু, মন্দা খাঙেবম, এন ভেলেন্টিনা, স্বুইটি লৈশাংথেম, সুসমা নিংথৌজম, রুবি নিংথৌজম, সধনা ময়েংবম, টিঐচ সুসমা, ৱাই এলিনা, টিঐচ অঞ্জলি, টিঐচ ভিক্টোরিয়া, কেঐচ জেনিফা অমদি এম রেস্কুননি। টিম অসি ৱাই সুজামুখিনা মেনেজর অদুগা ঐচ অবি অমসুং এন লিন্থোইনা কোচ ওইনা লুচিঙগনি। ষ্টেটকী টিম অসি জনুৱারি ২ দা ইম্ফাল থাদোক্কনি হায়রি।

# রোনাল্ডোনা বেষ্ট মেন প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রে



দুবাই, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সি)ঃ
মালেমগী ফুটবোল শান্নরোইশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা পোর্টুগাল মচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা দুবাই গ্লোব সোক্কর এৱার্দতা বেষ্ট মেন'স প্লেয়র এফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রে।

পোর্টুগাল মচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো চী অসিদা পীখিবা বেল্লোন দি'ওর অমসুং য়ু ই এফ এ মেন'স প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা ফংবা ঙমখিদবনি। অদুবু দুবাইদা পীবা দুবাই গ্লোব সোক্কর এৱার্দকী মেন'স ওফ দি ইয়রগী মনা ফংবা ঙমখিবনি।

দুবাই গ্লোব সোক্কর এৱার্দ অসি ৯লক পাঙথোকখিবগী মনুংদা পোর্টুগাল মচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা ৬ রক ফংবা ঙমখি। চহী অসিদা পীখিবা ফুটবোল এৱার্দ খরদা মহাক রন্নর্স অপ তাহৌখিবনি।

কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো ইটালিগী মকোক থোংবা ক্লব জুবেন্টসতা হৌজিক শান্নরিবনি। মহাক্না মমাঙগী সিজন্দা জুবেন্টসকী মায়কৈদগী গোল ২৮ চনবা ঙমখি। চৎলিবা চহী অসিদা মহাক্না মেটচ ২১ শান্নখিবদা গোল ১২ চনবা ঙমখ্রে।

ঐহাক্না ইমুং মনুং, মহাক্কী লৈবাক্কী টিমমেটশিংগা লোয়ননা জুবেন্টসকী টিমমেটশিংসু এৱার্দ অসি ফংনবা হোৎনরকপদা মতেং পাঙবিখিবা অমদি শৌগৎপীরকপগীদমক কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা ফোঙদোকখি।

এৱার্দ অসি ফংলবা মতুংদা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা অরাবিক কম্যুনিটিবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। মহাকপু এৱার্দ অসি ফংহনবদা ভোট পীবিরকখিবা ময়াম্বুসু মহাক্না ইকাই খূম্নবা উৎখি।

দুবাই গ্লোব সোক্কর এৱার্দতা বেষ্ট একাদেমীগী এৱার্দনা নেদরলেন্দসকী ক্লব এজাক্স অমসুং পোর্টুগালগী ক্লব বেনফিকানা ফংখি। বেষ্ট এজেন্টতা জোর্জ মেন্দেজ, বেষ্ট ক্লবকী মনানা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুল, বেষ্ট কোচকী মনাসু লিভরপুলগী কোচ জুরগেন ক্লোপনা লৌখি।

মনা য়েন্থোকখিবা অসিদা বেষ্ট গোলকিপরগী মনানা এলিসন বেক্করনা লৌখি। বেষ্ট ৱুমেন'স প্লেয়রনা য়ু এসকী শান্নরোই লুসি ব্রোঞ্জনা ফংখি। বেষ্ট য়ং আরব প্লেয়রনা অচরাফ হাকিমিনা লৌখি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com